# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 10-04-2025)

**শঞ্জয় (এল)ঃ** কেন্দ্রগী ঙাকশেল রাজ্য মন্ত্রি শঞ্জয় সেথনা ঙসি অয়ুক কামজোং জিলাগী ম্যান্মারগা তাইনবা ঙমখৈদা চত্তুনা হিয়ুমিন থানা অমসুং ফাইকোহ্‌দা ওইরিবা ফিভম য়েংশিনখ্রে। মফমশিং অসি বোর্দর পিল্লর নম্বর ১০০, ১০১ অমসুং ১০২ দা লৈবনি।

ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমী সোথিং সিমরেনা হায়- মন্ত্রিগা কামজোং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার রংনামৈ পিতর অমসুং জিলা অদুগী এস.পি. নিংসেন ভাসুমগা লোয়নখি। খোঙচৎ অদুদা ঙমখৈ ঙাক শেল্লিবা অসাম রাইফলসকী ওফিসিয়েলশিংসু য়াওখি। তুংদা মন্ত্রিনা জিলা অদুগী সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগা পুং ১ রোম ৱারী শান্নখি। ঙরাং জিলা অদুদা থুংলখিবা ঙাকশেল রাজ্য মন্ত্রি শঞ্জয় সেথ ঙসি নুংথিল দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

**জৈন (এল)ঃ** লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা তৌবগুমা মণিপুরদসু ঙসি জৈন ধর্ম্ম চৎপশিংনা ২,৬২৪ শুবা মহাবির জয়েন্তি পাঙথোক্লি। জৈন বিকাশ মন্দলগী চেরোল অমনা হায়-কুমশিগী ওইনদি ইম্ফালদা লৈবা শ্রী দিগম্বর জৈন মন্দিরদা ভগবান মহাবিরগী অভিশেক পুজাতমক পাঙথোকখি। থৌরম অসিগী মতাংদা অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাড কাংবুগা অখন্ননা উন্নবদা-জে.ভি.এমগী ইগজ্‌কিটিব মেম্বর-বিসাল জৈননা হায়-কুন্নৈ মনিপুরগী ইরাংগী য়েংলগা মহৌশাগুম চাউনা পাঙথোক্ত্রে। ধর্ম্মগী ওইবা থৌরমতমক পাঙথোক্লি। কুন্নৈ অসিগা লাকপগা লোয়ননা মনিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা অমগা অমগা নুংশি চান্নবা অমদি শান্তি পুরকপা ওইরসনু।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখর, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র

মোদি অমসুং মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয়কুমার ভল্লানা মহাবির জয়েন্তিনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরি ।

**ইভিক্সন(এল)ঃ** মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চেল্লিবা তুরেলশিংগী লৌনম্বালশিংদা আইন কায়না য়ুম কৈ অমদি দুকাননচিংবা শাজিনবনা মরম ওইদুনা ঈশিংগী ঈচেলদা অকায়বা কয়া থোকহনবদগী তত্তনা ঈচাও থোকপা অসিগী য়েংলগা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা অখন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎলে।

জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-জিলা অসিগী ৱাইশেল মরিল, নাগা নালা, কৈশাম্পাৎতগীনা কৈশামথোং ফাওবদা নম্বুল তুরেলগী মমাংদা শাজিল্লিবশিং অমদি তুরেল অসিগী এলাংবম লৈকাইগী মপাদা শাজিল্লিবশিং মশা মশানা থা অসিগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা শিদোকবা হায়রি। হায়রিবা মতম অসিদা শিদোক্ত্রবদি সরকারনা তকথোক্লগনি হায়রি।

**রেভিজ (এল)ঃ** মনিপুরদা রেভিজ লায়না শন্দোরক্লে হায়রিবসিদা মীয়ামনা কা হেন্না মীপায়বীদনবা রাজ্যগী ষ্টেট সরভিলেন্স ওফিসার-ডা: গোপাল সিংহনা মীয়ামদা আপিল তৌরি।

অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুগা ঙসি অখন্ননা উন্নবদা শ্রী গোপালনা হায়-কালেন থা চংল্লকপা হুইনা চিকপগী চাং মহৌশানা হেনগৎপা মতমনি। মসি শাবগী হেনগৎলকপদগী শাবগী হেনগৎলকপদগী মখোয়গী মশানা অহোংবা কয়া লাকপদগীনি। অদুমওইনমক, মীয়ামনা মসিদা কা হেন্না মীপায়নিংঙাই লৈতে। করিগুম্বা হুইনা চিকখিবা থোক্লবদি মনাক নকপা হোস্পিতালদা পুখৎতুনা হিদাক কাপথোক্কদবনি। মসিনা রেভিজতগী ইরাই লায়না ঙাকথোকপা ঙমগনি। হুই মপুশিংনসু মখোয় মখোয়গী হুইশিং য়ারিবমখৈ লম্বী সড়ক্তা থাদোক্তনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

রেভিজ লায়নাদগী ঙাকথোকবা মতম চানা হুই-হৌদোংদা হিদাক থাদোক

বা আপিল তৌরদুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনারি ওফিসকী জোইন্ট দিরেক্তর-ডা: এল. রোনিবালানা হায়-হুইনা চিক্লবদি অথুবা মতমদা মনাক নকপা হোস্পিতালদা পুখৎতুনা হিদাক কাপথোকবা হোৎনগদবনি। হুই চিকখ্রবদি হুইবুনা চেং শাইরগা চিক্লিবা মফম অদুদা থোল্লগা ফৈ হায়বগী ৱাখল্লোন থাদোক্কদবনি।

**ইকো (এল)ঃ** চান্দেল জিলাগী লম্বুং খুঙ্গংগী কম্ম্যুনিতি হোলদা জিলা অসিগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসারনা শিনদুনা মীয়ামগী ওইবা ইকো টুরিজম অমদি হোম ষ্টে হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা মীয়ামবু হেন্না খঙহন্নবা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা দিভিজনলে ফোরেষ্ট ওফিসার-ডা: এন. মুনালনা হায়-পল্লেনদগী চান্দেল ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা খুলশিং অসি ইকো টুরিজমগী মফম অমা শেমগৎপদা খুদোংচাবা লৈগনি। মসিদা মীয়ামা মতেং পাংবীনবা আপিল তৌরি।

**ৱার্কশোপ (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাই কোন্সম লৈকাইদা লৈবা লাইফলিহুদ বিজিনেস ইনক্যুভেসন সেন্টর খোঙনাংথাবা য়ুনিরভসিতিনা শিনদুনা লল্লোন ইতিক অমদি মসিগী তোঙান তোঙানবা হীরমশিং অমদি শিংনবশিং হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা য়ুনিভরসিতি অসিগী ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা রাজ্যগী হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জারভেসন দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্তর-কে. দেবদত্তা শর্ম্মনা হায়-নহাশিংনা লৌউ শিংউগী শিনফমদা মশানা মশাবু থবক পীজনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। লাইরিক লাইশু হৈরবা নহাশিংনা লম অসিদা অনৌবা গ্যান লৌশিং কয়া পুথোকপগা লোয়ননা শেন্থোক লৈবা ওন্টরপ্রেন্যুয়র ওইননবসু হোৎনবা মতম ওইরে।

**রিমস (এল)ঃ** লৈবাক শিনবা থুংনা থা অমা চুপা চথুরিবা স্বাচতা পখৰারা কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা লম-তু শেংদোকপগী থৌরম অমা ইম্ফালগী রিমসতা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

লম-তু শেংদোকপগী থবক অদু রিমসকী নর্সিং কলেজগী কুন্দোলৈ লেদিস হোষ্টেল নম্বর থ্রিদগী হৌরগা অতৈ হোষ্টেলশিংদা চথুখিবনি।

**ওরেল(এল)ঃ** থা অমা চুপা চথুরিবা মালেমগী ওরেল হেলথ নুমিৎ পালন ২০২৫ গা মরী লৈননা চিন-য়া ফনা থমবগী মতাংদা নীংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ পেদিয়াত্রিক্স এন্দ প্রিভেন্টিব দেন্টিষ্ট্রিনা শিনদুনা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

চিন-য়াগী লায়না তিন্না থোরকপদা য়ারিবমখৈ থুনা খঙদোকহৌবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা লায়েংহৌনবা হোৎনগদবনি হায়বা ৱাফম থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা ফোংদোকখি।

**এৱারনেস (এল)ঃ** রাস্ত্রিয়া পোসান পখাৱরা তেংমেংলোং জিলাদা ঙসিদগী হৌখ্রে। মসি জিলা অদুদা লৈবা মীয়ামদা মচি ওইবা চিঞ্জাক চাবনা হকচাং ফহল্লি হায়বা ৱাখল্লোন নিংথিনা খঙহন্নবা পায়খৎপা খোঙথাংনি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন-তমেংলোংনা সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগকা খুৎশমরগা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা মচি ওইবা চিঞ্জাক চাবনা হকচাংদা পীবা কান্নবশিংগী মতাংদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনখি।

**কেম্প (এল)ঃ** ২৬ শুবা সেক্তর অসাম রাইফলস, পল্লেলনা শিনদুনা নোংমগী ওইবা ঈ দান তৌবগী কেম্প অমা ঙসি পল্লেল গেরিসনদা

পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা পল্লেলগী অকোইবদা লৈবা খুল কয়াগী মীওইশিং, অসাম রাইফলস অমসুং পুলিসকী মীওই কয়া শরুক য়াখি। কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ৫০ রোমনা ঈ দান তৌখি।

**হোস্পিতাল (এল)ঃ** লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতগী থংন-থংননা নুমিৎ হুমনি ছুতি লৈরিবা অসিগী য়েংলগা রিমস হোস্পিতাল ইম্ফালগী ও.পি.দি. পুমমক অনিশুবা থাংজ ওইরবসু থা অসিগী ১২ দা হাংগনি।

থৌরাং অসি ছুতিগী মতুংদা কা হেন্না মী চিনবা হন্থহন্নবা লৌখৎপনি হায়না হোস্পিতাল অসিগী সুপরিনটেন্দেন্টকী চেরোল অমনা হায়রি।

**য়ুম (এল)ঃ** ককচিং জিলাদা ঙসি নুমিদাংৱাইরমদা খঙহৌদনা শিৎলকখিবা অকনবা নুংশিৎনা জিলা অসিগী মনুং চন্না লৈবা সোরা বজার মনাক্তা লৈবা য়ুম অমা নুংশিৎনা হুমদোকখ্রে হায়রি।

**লৌমী (এল)ঃ** মনিপুরদা ইরাংনা মরম ওইদুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা লৌফমশিংদা লৌ উবা অমদি লৌ লোকপা য়াখিদবা ইং ২০২৩ গী সেপ্তেম্বর তরুক্কী মতুংদা ক্ষেতিপুরোনগীদমক দরখাষ্ট পীশিনখিবশিংনা মখোয় মখোয় লৌফমগী ফোটোশিংগা লোয়ননা ওন লাইনদা দরখাষ্ট থারক্কদবনি হায়রি।

দরখাষ্ট থারকপা মতমদা অধার কার্ড, বেঙ্ক পাসপোর্ট, লমগা মরী লৈনবা চে-চাংশিং অমদি টেনান্দ সার্টিফিকেট য়াওহল্লক্কদবনি। মসি জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়বনি।

**ফিল্ম (এল)ঃ** ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্ডস ২০২৫ পানবগীদমক ইং ২০২৪ গী জানুৱারী অমদগী চহি অসিগী দিসেম্বর ৩১ ফাওবদা মনিপুরি ফ্যুচর

ফিল্ম, দোকুমেন্টরি ফিল্ম, সোর্ট ফিল্ম অমদি ম্যুজিক ভিদিও পুথোকপশিংদগী দরখাষ্ট কৌরি।

মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-ফিল্মশিং অদু সেন্ত্রেল বোর্ড ওফ ফিল্ম সার্টিফিকেসননা অয়াবা পীরবা ফিল্মশিং ওইগদবনি। মসিগী মথক্তা মনিপুরি সিনেমাগী খ্বাইদগী ফবা অইবগী মনা, ক্রিটিক্কী খ্বাইদগী ফবা মনা অমসুং মনিপুরি সিনেমাগী মতাংদা ইবা খ্বাইদগী ফবা লাইরিক্কী মনাসু লান্থোক্কনি। মসিগীদমক ইং ২০২৪ গী জানুৱারী অমদগী দিসেম্বর ৩১ ফাওবদা মনিপুরি নৎত্রগা ইংলিসতা ফোংখিবা পাব্লিসরশিংনা দরখাষ্ট থাজিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

**রাফেল ঃ** ইং ২০০৮ কী নবেম্বর ২৬ তা থোকখিবা মুম্বাই তেরর এটেক্তা চেন্নবা মীশকনি হায়না মরাল শিরিবা তহাৱুর রানা, ঙসি ভারত্তা পুরকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-পিয়ুস গোয়লনা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মুম্বাই তেরর এটেক্তা চেন্নবা মীশকনি হায়বা তহাৱুর রানাবু লৈবাক অসিদা পুরকবা কন্না হোৎনবদগী মহৈ য়ানদুনা মীওই অসি ভারত্তা পুরকখিবনি। মহাক্কী মথক্তা চপ চাবা আইনগী থবক লৌখৎতুনা অহকপা চৈরাক পীগনি।

লৈবাক অসিগী কোনুং দিল্লিদা লৈবা এন.আই.এগী হেদক্বাটর, পাটিয়ালা কোর্ট অমদি অতোপ্পা মফম খরা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে। য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী সুপ্রিম কোর্টতা রানানা থারকপা মহাকপু ভারত্তা পুহন্দনবা আপিল অদু কোর্ট অসিনা য়াখিদ্রবা মতুংদা মহাক ভারত্তা পুরকখিবনি।

**বঙ্গলাদেস ঃ** ভারতনা লৈবাক অসিগী হিথাংফমশিং শিজিন্নরগা বঙ্গলাদেসনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা পোৎ পুথোক পুশিন তৌরম্বা অদু য়াহনখিদবা অসিনা বঙ্গলাদেসকী থবক থৌরমদা অকায়বা লৈরোই হায়না লৈবাক অদুগী কর্ম্মস এদভাইজর-সৈখ বাসির উদ্দিনা ফোংদোকখ্রে।

ভারতকী হিথাংফমশিং বঙ্গলাদেসনা শিজিন্নবা য়াদ্রবসু অতোপ্পা উপায় থিননবা বঙ্গলাদেসনা হোৎরি হায়রি। ধাকাদা পাউমীশিংদা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা শ্রী বাসির উদ্দিননা হায়-বঙ্গলাদেসনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা মখোয়গী পোৎ-চৈ থাদোকবা মখা তানা অদুম্মক হোৎনখিগনি। মসিদা ভারতকী হিথাংফমশিং শিজিন্নবা য়াদ্রবসু অতোপ্পা উপায় য়েংগনি। ভারতনা মসিগী হিথাংফমশিং শিজিন্নবগী অয়াবা পীরকখিদবা অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অদুনা ভারত্তা চিঠি অমা ইদুনা খঙহনবা লৈখিব্রা হায়না পাউমীশিংনা হংবদা শ্রী বাসির উদ্দিননা হায়-হৌজিমক্কী ওইনা অদুগুম্বা থবক অমত্তা খন্নবা লৈত্রি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী সমরাম ফুটবোল ক্লবনা শিনবা অহুমশুবা ষ্টেট লেবেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট-সমরাম ট্রোফি ঙসিদগী সমরাম প্লে গ্রাউন দদা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ১৮ না শরুক য়ারি। ঙসি অহৌবা মেটচতা-লিজেন এফ.সি. মনিপুর পুলিসনা সুভন্দ এফ.সি. ঙারিয়ানবু পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীখি।

**কাং (এল)ঃ** অনিসুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কৈশামথোং কাংখুৎনা পুথিবা কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৬-১৩ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শিনবা অনিশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিএল টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা-কে.সি.সি. কোংবনা ৱাই.টি.ঐচ.য়ু. লালাম্বুং মখোঙবু রন-৬১ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেচট অমদনা ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. লংথাবালনা ই.এস.য়ু. ৱাংখৈবু

রন-৪৪ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** অহানবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর টৌইন্তি থ্রি ৱান ডে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-পি.এস.ডব্লিয়ু. খুয়াংথোংনা পি.সি.সি. ময়াই কোইবীবু রন-১৮ দা থোইখ্রে।

মোদেল হয়ার সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টেল কলেজতা শান্নখিবা মেটচতনা আর.সি.এ. লিলোংনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দবু রন-২২৮ দা থোইখ্রে।

লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.য়ু.সি.সিনা লংথাবাল ৱাই.ডব্লিয়ু.সিবু রন-৫৫ দা থোইখ্রে।

থৌবালগী পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা পি.সি.সি. ময়াই কোইবীনা খুমিদোক কে.এ.এস.সিবু রন-১৬ তা থোইখ্রে।

**হোকিঃ** ভারতকী নুপীগী হোকি টিমনা ওষ্ট্রেলিয়া টিমনা মেটচ মঙাগী মেটচ অমা থা অসিগী ২৬ তগীনা মথং থা মরি ফাওবগী মরক্তা শান্নরগনি। মেটচ অসি ওষ্ট্রেলিয়াগী পর্থ হোকি ষ্টেদিয়মদা শান্নগদবনি।